# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, MARCH 13, 2016 PAGE 7




গভর্নর্স কপ পোলো টুর্নামেন্ট হৌদোকপদগী থৌরমদা ওথ টেক্কিং লৌবা লোইরবা মতুংদা শরুক য়াখিবা টিমশিংগী মীহুৎশিং ফিরাল পায়খিবা



বি এন পি পরিবাস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা জর্মনিগী লোরা সিগেমুনবু স্ট্রেট সেটতা ৬–২, ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবী য়ু এস এ গী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোই সেরেনা ৱিলিয়মস

*আই সি সি ৱার্ল্ড টি–২০ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৬*

## আফগনিস্তান্না জিম্বাব্ৱে রন ৫৯ দা থোইদুনা সুপর ১০ গীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রে

নাগপুর, মার্চ ১২ ঃ

মহারাস্ত্রগী সহর নাগপুরদা লৈবা বিদরভা ক্রিকেট এসোসিয়েসন স্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্বালিফায়িং মেটচ অমদা আফগনিস্তান্না জিম্বাব্ৱেবু রন ৫৯ দা থোইদুনা সুপর ১০ স্টেজ গীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

মেটচ অদুগী টোস আফগনিস্তান্না ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌখি। মদুদা মখোয়না ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৮৬ লৌখি। টিম অদুগী অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদু য়াম্না ফজখিবা শুপ্নগী বোল ২৮দা রন ৪১ লৌবা ঙমখি। বোল ২২ দা সিক্স ১ গা ফোর ৭ য়ৈবা ঙমখিবা ওপনর মোহমদ সেজাদ ২৩ শুবা বোলদা আউট ওইখি। মতম অদুদা আফগনিস্তানগী রন ৪৯ দা লৈখি।

কেপ্টেন অজগর স্টানিকজাই রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট তাখি। মরিশুবা বেটসমেন গুলবদিন নায়ক বোল ৭ তা রন ৭ লৌরম্লবা আউট ওইদুনা আফগনিস্তানগী অহুমশুবা বেটসমেন রন ৬০ দা তুখি। অপুনবা স্কোর অদুদা রন ৩ খক হাপচিনবদা ঙাইরিঙৈ ওপনর নুর আলি জাদ্রন রন ১০ দা আউট ওইদুনা মরিশুবা বেটসমেন তুখিবনি।



*আফগনিস্তানগী মায়কৈদগী রন ৫২ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাখ্রবা মোহমদ নাবিনা সিক্স য়ৈবা*

৫ শুবা বেটসমেন সামুল্লা সেনৱারি অমসুং ৬ শুবা বেটসমেন মোহমদ নাবিনা ৫ শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপগীদমক ওভর ১১ রোম শান্নমিন্নরকপদা ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী ফজবা অদু ওইখি। মখোয় অনীনা রন ৯৮ হাপচিন্দুনা আফগনিস্তানগী স্কোর অদু রন ১৬১ শুহনখি।

বোল ৩৭ তা সিক্স ১ গা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪৩ দা সেন ৱারি আউট তাখি। নৌনা চঙলকপা সফিক অমসুং নাবিনা অপুনবা স্কোর অদু ১৮৪ শুহনখি। নাবি ইন্নিংস লোইগদবা বোল ২ ৱাৎলিঙৈদা রন ৫২ দা আউট ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদু শুপ্নগী বোল ৩২ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরমখি।

জিম্বাব্ৱেনা মায় পাক্নবা আফগনিস্তান্না লৌরম্বা রন ১৮৬ অদুগী অমা লানগৎনা লৌনবা হোৎনখি। অদুবু আফগনিস্তানগী বোল্লরশিংনা জিম্বাব্ৱেগী বেটসমেন অমত্তা মপুং ফাবা ইন্নিংস শান্নবা ঙমহনখিদে।

টিম অদুগী ১০ শুবা বেটসমেন ওইখিবা তিনাসে পানিয়ান গরানা বোল ৭ সিক্স ২ য়ৈরগা আউট ওইদনা রন ১৭ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়ামখি।

মমাঙদা জিম্বাব্ৱেগী ফজবা ইন্নিংস কয়া শান্নবা ঙমখিবা বুসি সিবানন্দ অমসুং কেপ্টেন হেমিলটন মসাকাজে মথংৎশিংনা রন ১৩ অমসুং ১১ লৌরম্লগা আউট তাখি। মখোয়না রন ১২৭ খক লৌরকপদা বেটসমেন লৈহৌদবদগী মেটচ অদু রন ৫৯ দা মায়থিখিবনি।

## ২৬ শুবা গভর্নর্স কপ ইনভাইটেসন পোলো টুর্নামেন্ট হৌখ্রে ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লবনা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লব মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ ঃ

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ঙসিদগী মপাল কাংজেবুংদা ২৬ শুবা গভর্নর্স কপ ইনভাইটেসন ২০১৬ দা টিম ১২ অমদি ১৫ শুবা গভর্নর্স কপ ৱুমেনস পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৬ দা টিম অহুম্না শরুক য়াখি।

অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা ২৬ শুবা গভর্নর্স কপ মেনস পোলো টুর্নামেন্টগী অহানবা মেটচ দা ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব খোঙমন্না চিংখৈহুনবা পোলো ক্লব কোংপাল পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ওথ টেকিংনা এম পি এস সি বি গী এস ভাইকিংনা লৌখি।

ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব অমদি চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবনা শান্নখিবা অহানবা মেটচ অদুগী ইবুধৌ থাংজিং ক্লবগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা এম দোরেন সিংহ না ৫.৩৯ সেকেন্দদা অমা , কে ঐচ তোম্বীনা ৫.৫২ অমদি ৬.০৬ মিনিটতা অনী অমদি অহুমশুবা চক্করদা এম দোরেন সিংহ না ৫.১১ মিনটতা অমা চনখিবনি।



*চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব অমদি ইবুধৌ থাংজীং পোলো ক্লবনা শান্নখিবা অহানবা মেটচগী মতাং অমা*

চিংখৈহুনবা পোলো ক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জলশিং অদু অহুমশুবা চক্করদা এল লোকেশ্বর সিংহ না ৩.৩৪ মিনটতা চনখিবনি।

এস বিমোল সিংহ অমদি এস ভাইকিং সিংহ মাউন্টেন্ট অম্পায়র ওইদুনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

## অহুমশুবা এম সি এ প্লেট টুর্নামেন্ট ২০১৬ ফোর্স অমদি সঙাই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা লুৱাং পোকপা ক্রিকেট স্টেদিয়ম অমদি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা অহুমশুবা এম সি এ প্লেট টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ফোর্স খেষ্ট্রিগাওনা আর আর সি সি চুরাচন্দপুর রন ১৬৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

উরিপোক ক্রিকেট ক্লব য়ু সি সি অমদি সঙাই চেম্পিয়ন ক্রিকেট ক্লব শিংজমৈ থোংঙাম লৈকায়না শান্নখিবা মেটচদা সঙাই চেম্পিয়ন ক্রিকেট ক্লবনা ৱিকেট অনিদা মায়থিবা পীখ্রে।

লুৱাং পোকপা ক্রিকেট স্টেদিয়মদা ফোর্স খেষ্ট্রিগাও অমদি আর আর সি সি চুরাচান্দপুরনা শান্নখিবা মেটচ অদু ফোর্সনা তোচ ঙম্লগা হান্না বেটিং খনখি। সদামগী ফজরবা স্ট্রোক কয়া য়াওনা সেঞ্চুরি য়ৈদুনা ওভর ৪০ দা ৱিকেট ৮ আউত ওইরনা রন ২৬২ লৌখি।

ইনিংস অদুদা সদাম্না বোল ১০১ দা রন ১২৭ শুবান্দিনা বোল ৫৬ তা রন ৪৬ অমদি অভিনাসনা বোল ৭ তা আউত ওইদনা রন ১০ লৌখি।

আর আর সি সি গী বোল্লর দেবরাজনা ৱিকেট অনী থাংখো পাউ , হাওজালেন অমদি রঞ্জিৎনা ৱিকেট অমমম লৌখি। আর আর সি না অনীশুবা ইনিংসগী বেটিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ৪০ গী মনুংদা ওভর ২৯.১ দা ৱিকেট পুম্নমক আউত ওইরগা রন ৯৭ লৌখি।

ইনিংস অদুদা হাওজলেন্না বোল ৪৮ দা রন ৩২, দেবরাজনা বোল ২৩ দা রন ১২ অমদি লেৎমিনলালনা বোল ১২ দা রন ১২ লৌখি। ফোর্সগী বোল্লর হাসিপ, মুসির অমদি ইসলাউদিনা ৱিকেট ২ /২ লৌখি। অভিনাস অমদি কাসিম্না ৱিকেট অমমম লৌখিবনি। মেন ওফ দি মেটচনা ফোর্সগী সদাম্না বোল ১০১ দা রন ১২৭ লৌদুনা তাখি।

য়ু সি সি অমদি সঙাই চেম্পিয়ন ক্রিকেট ক্লবনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা সঙাই ক্রিকেট ক্লবনা ৱিকেট অনীদা মায়থিবা পীখ্রে।

য়ু সি সি না অহানবা ইনিংসগী বেটিং তৌখিবদা ওভর ৩২.৪ দা ৱিকেট পুম্নমক আউত ওইরগা রন ১১২ লৌখি।

ইনিংস অদুদা অনিলনা বোল ৭৩ দা রন ৩১ , রোসননা বোল ৩১ দা রন ২৭ অমদি অবুংঙোনা বোল ৩৪ রন ১৮ লৌখি।

সঙাই চেম্পিয়ন ক্রিকেট ক্লবগী বোল্লর ননাওনা ৱিকেট ৩, সলমান, এন বিজেল অমদি সনানা ৱিকেট ২ /২ লৌখি।

সঙাই চেম্পিয়ন ক্রিকেট ক্লবনা অনীশুবা ইনিংসগী বেটিং তৌখিবদা ওভর ২৮.৫ দা ৱিকেট ৮ আউত ওইরনা রন ১১৪ লৌদুনা ৱিকেট অনীদা মায় পাকখিবনি।

ইনিংস অদুদা কিষন্না বোল ২৭ দা রন ২২, অজয়না বোল ১৯ দা রন ১৫, ননাওনা বোল ১৪ দা রন ১৫ অমদি সনানা বোল ২১ দা রন ১১ লৌখি।

য়ু সি সি বোল্লর লাক্ষপটিনা ৱিকেট অহুম দাইমন্দ অমদি দেনিলনা ৱিকেট ২ /২ লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা সঙাই চেম্পিয়ন ক্লবগী ননাওনা রন ১৫ অমদি ৱিকেট অহুম লৌদুনা তাখি। হয়েং লুৱাং পোকপা ক্রিকেট স্টেদিয়মদা ব্লু হোক খুরাই অমদি আর ই ৱাই এস নাগামপাল শান্নরগনি।

## চাইনাগী ৱাং সিজিয়ান ফাইনেল চঙখ্রে নুপাগী কাঙলুপ্তা চাইনাগী ৩ সেমি ফাইনেল শান্নরগনি

বিরমিংহাম, মার্চ ১২ ঃ

চাইনাগী ৱাং সিজিয়ান ওল ইংলন্দ বেদমিন্টনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা চাইনাগী শান্নরোই ৩ সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ৱাং সিজিয়ান্না ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগী তাই জু য়িংবু ২১–২৩, ২১–১২, ২১–১৫ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি। মহাক্না ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোই অদু স্পেনগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান কেরোলিনা মারিন অমসুং জপানগী নোজোমি ওকুহারা অনীগী অথোইবা অদুগনি।

কেরোলিনা মারিন্না ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা থাইলেন্দগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৬ শুবা সিদেদ শান্নরোই রতচানোকপু স্ট্রেট গেম ২ দা ২১–১৭, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীখি। মহাক্না সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী ৱাং য়ি হানবু ২১–৯, ২১–১৩ দা থোইরম্বী জপানগী শান্নরোই নোজোমি ওকুহারাগা লম্বা তৌনগদৌরি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা ঙরাং ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালবু মায়থিবা পীরম্বী চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই তাই জু য়িংনা চাইনাগী অতোপ্পা শান্নরোই ৱাং সিজিয়ানগা লম্বা তৌনরগনি।



*ফাইনেল য়ৌখ্রবী চাইনাগী ৱাং সিজিয়ান সট্টল য়ৈবা*

নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেলদা চাইনাগী শান্নরোই ৩ য়ৌবা ঙম্লি। মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা চাইনাগী লিন দান্না টুর্নামেন্ট অসিদা ৫ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকপদা ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা দেনমার্ককী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জান ও জোর্গেনসেনবু ১০–২১, ২১–৯, ২১–১৫ দা থোইখিবনি। মহাক্না ৱার্ল্ড নম্বর ৱান চাইনাগী সেন লোংবু অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিবা পীরম্বা জু সোংগা থেংনগদৌরিবনি। জু সোংনা অতোপ্পা দেনমার্ককী শান্নরোই ভিক্তর এজেলসেনবু ২১–১৯, ২৩–২৫, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরমখি।

চাইনাগী তিয়ান হৌৱেনা জপানগী কেন্টো মোমোতাবু ১৯–২১, ২১–১৫, ২১–১৬ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা দেনমার্ককী হান্স খৃষ্টিয়ান ভিটিনগসকা শান্নরগনি। ভিটিনগসনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগী মার্ক জ্বেলভরবু ২১–১৫, ১৩–২১, ২২–২০ দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা জপানগী হিরো য়ুকি এনেদা অমসুং কেনিচি হয়াকৱা ফাইনেল চঙখ্রে। মখোয় অনীনা মালেসিয়াগী ভি সেম গো অমসুং ৱি কিয়োং তানবু ২১–১৩, ২১–১৫ দা থোইখিবনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা কোরিয়াগী লি য়োংদে অমসুং য়ু য়িওং সিয়োংনা রুসিয়াগী জুরা ব্লাদিমির ইভানোভ অমসুং ইভান সোজোনোভকা শান্নরগনি।

নুপীগী দবলসতা চাইনাগী লু য়িং অমসুং লু য়ুনা সেমি ফাইনেলদা জপানগী মিসাকি মাসুমোতো অমদি আয়াকা তাকাহিসিগা শান্নগনি। অমরোমদা দেনমার্ককী খৃষ্টিনা পেদরসন অমসুং কামিলা রাইটরনা চাইনাগী তাং য়োন্টিং অমসুং য়ু ফাংগা শান্নগদৌরি। মিক্স দবলসকীদা খৃষ্টিনা পেদরসন অমসুং জোকিম ফিসর ফাইনেল চঙখ্রে।

## অনন্দনা তোপালোভ থোইখ্রে

মোস্কো, মার্চ ১২ ঃ

ইন্দিয়াগী মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৫ রক ওইবা ঙমখ্রবা গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বানাথন অনন্দনা ঙসি মোস্কোদা পাঙথোক্লিবা কেনিদদেটস চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা রাউন্দদা বলগেরিয়াগী বেসেলিন তোপালোভপু মায়থিবা পীখ্রে।

অনন্দনা বলগেরিয়াগী তোপালোভকা লম্বা তৌনরকপদা রুই লুপেজ মশান্নরা খুদোংচাবা খরা লৈহনখি। অদুবু তোপালোভনা পোন অমা পীজরগা অনন্দদগী খুদোংচাবা অমুক হেনখি। তোপালোভনা মহাক্কী খুদোংচাবা অদু গেম অদুগী ময়ায় চনশিল্লকপদা অমুক হেন্না ফজনবগীদমক মহাক্কী বিসোপ অদু অনন্দদা পীজথোকখি। অদুবু মহাক্কী লাল্লোং অদু মপুং ফাবা ঙমখিদনবদগী অনন্দনা মুভ ৪৯ শুরকপদা তোপালোভ পাউখুম পীবা ঙমখিদবদগী গেম অদু অনন্দনা থোইখিবনি।

## নেসনেল মাষ্টর্স বেদমিন্টনদা মণিপুরগী সিলভর মেডল ২ ফংখ্রে



মনিকুমার বিনোয়

ইম্ফাল, মার্চ ১২ ঃ

তামিল নাদুগী কোম্বেটোরদা থা অসিগী ১ দগী ৪ ফাওবা শান্নখিবা ১০ শুবা ইন্দিয়ান মাষ্টর্স (ভেটরান) নেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৫–১৬ দা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী চহী ৬৫ মথক্কী নুপাগী দবলস অমসুং চহী ৬০ মথক্কী নুপাগী সিঙ্গলসতা রন্নর্স অপ তাদুনা সিলভর মেডল ২ ফংখ্রে।

নুপাগী চহী ৬৫ মথক্কী দবলসকী ফাইনেলদা মণিপুরগী হাওবম মনিকুমার সিংহ অমসুং সি ঐচ বিনোইবু গুজরাটকী বসন্তকুমার সিকারি অমসুং দরয়াস সুরতিনা মায়থিবা পীরম্বনি। অহানবা গেম মণিপুরগী বিনোয় অমসুং মনিকুমারনা ২১–১৮ দা থোইখি। অদুবু ২ শুবা অমদি অহুমশুবা গেম গুজরাটকী জুরা অদুনা ২২–২০, ২১–১৩ দা থোইখিবনি। চহী ৬০ মথক্কী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা মণিপুরগী এ সুনিতিকুমারবু ফাইনেলদা বহাদুর সিংহনা ২১–১০, ২১–৫ থোইরমখি।

## নেরোকানা এ আই এম গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা ১২ শুবা দি এস এ ট্রোফি নাওরেম ভুবোল মেমোরিয়েল ইনভিটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা নোরোকা সঙাকফমনা এ আই এম খাবম গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

নোরোকাগী গোল অনী অদু প্রিন্স ৱিল ইমেকানা ২ অমদি ইজিয়োগুনা ৪৫ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। এ আই এম গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা বোরিসনা ৮৩ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

নেরোকাগী সুসান্ত, চীংখৈ অমদি ইজিয়োগুদা রেফরিনা ২০, ৫৬ অমদি ৬১ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

সোমোর্জিৎ, পর্সুরাম, অরুনকুমার অমদি দিনেশ্বরনা মেটচ অদু কন্দক্ট তৌখি।

হয়েং অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা গ্রুপ (এ) গী রন্নর ওইখিবা এফ সি থৌবাল অথোকপম অমদি গ্রুপ (সি)গী ৱিন্নর ওইখিবা কে পি এফ সি ককচিং শান্নরগনি।

## চেম্পিয়ন এফ সি না অনুসকা এফ সি গোল ৪–৩ দা মায়থিবা পীরগা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১২ ঃ

চেম্পিয়ন এফ সি লংথবালনা অনুসকা এফ সি হাওরৈবী গোল ৪–৩ দা মায়থিবা পীরগা অহানবা স্টেট লেভেল চন্দ্রনদি সভেন এ সাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ৱিন্নর ওইখ্রে।

তোপ স্কোররনা গোল ৬ চনখিবা চেম্পিয়ন এফ সি গী রাহুল, বেষ্ট গোল কিপরনা টিম অসিগী ননাও, বেষ্ট প্লেয়রনা অনুসকা এফ সি গী দিনচন্দ্র অমদি বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম্না চিটা এফ সি হাওরৈবীনা তাখি।

ঐচ এন এস সি হাওরৈবীনা শিন্দুনা মমাঙ থাগী ২০ দগী চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি চেম্পিয়ন এফ সি অমদি অনুসকা এফ সি না শান্নখিবা মেটচ অদুগী চেম্পিয়ন এফ সি গী গোলশিং অদু গ্যানেশ্বর, রাহুল, ইনাও অমদি আনন্দনা অমমম চনখিবনি। অনুসকা এফ সি গী গোলশিং অদুনা দিনচন্দ্র অমদি সনাতোম্বা অমদি ফালগুনিনা অমমম চনখিবনি।


DELTA Tutorials CBSE
Kwakeithel Leimakhujam Leikai, Tiddim Road, Imphal
The Largest coaching centre for Sc. & Arts in Manipur
Class IX & X
6 months course
Class XII (Sc.)
5 months course
Admission Open
for Foundation course
Office timing: 10:00am to 7:00pm
Class timing: (4:30 to 7:30)pm
Class starting From
1st April, 2016
Available Home Tutors
All Boards from Class I to Degree
Only 30 students per class rooms
Van Service & Hostels for Boys & Girls
SL/ B/26 feb to 29 march

ADMISSION STARTS
For New Batch
GENERAL FOUNDATION COURSE
[ GFC ]
For Banking, SSC and Other Competitive Exams
For limited seats
CLASS STARTING FROM 22-02-2016
TIMING: 3.00 PM TO 5.45 PM
For limited seats
SPECIAL EMPHASIS ON :
Verbal Reasoning
Numerical Aptitude
Banking Awareness
Computer Awareness
Non-Verbal Reasoning
Indian Economy
Marketing Awareness
Current Affairs, etc.
SPECIAL FEATURES
Supply of Study Materials
Online exam practice class
Regular Sectional Tests
KWAKEITHEL, IMPHAL
Proactive Academy
For a Bright Future
of Competitive Examinations (PACE)
PHONE: 9206319209
SL/ 3 feb to 6 march